**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 13-01-2026)**

**---অকাশবানি ইম্ফাল আর.কে. গোরানিনা পাউ পাজরি---**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

**সেমিনার(এল)ঃ** রাজ্যপাল অজয়কুমার ভল্লানা হায়রি-সরকার, তোঙান তোঙানবা লুপশিং, সেক্যুরিতি ফোর্স অমদি মীয়ামা পুন্না হোৎনমিন্নদুনা রাজ্য অসিদা তপা তপা তংদু লৈতাবা ফিভম হঞ্জিল্লক্লি।

অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা 'রিসজেন্ট মণিপুর ফ্রেমৱার্ক ফোর স্তেবিলিতি এন্দ সস্তেন গ্রোথ' হায়বা হীরমদা ইম্ফালগী সিতি কনভেন্সন সেন্তরদা পাঙথোকপা নোর্থ ইষ্ট সেমিনার অমা হৌদোক্লদুনা রাজ্যপালনা হায়-মণিপুর অসি ইনাক খুল্লবা কলা সংস্কৃতি, তোপ তোপ্পা হৈ-শিংবা কয়ানা থল্লবা লমদম অমনি। রাজ্য অসিদা মপুং ফাবা তুং কোহবা শান্তি পুরকবা হোৎনবদা ঙমখৈ পরিংশিং নিংথিনা য়েংশিন্দুনা ঙাক শেনবগী থবক কনখৎহনবা, নার্কোতিক্স অমসুং হিংশাগী থৌদোকশিং নিংথিনা লাকশিনবগী তঙাইফদবা লৈ।

রাজ্যপালনা হায়-তংদু লৈতাবা অমদি ইং তপ্পা সমাজ অমা লৈহন্নবা হোৎনবদা অফবা লৈঙাক লৈবতা নত্তনা তোঙান তোঙানবা ষ্টেকহোল্ডরশিংগী অপুনবা থৌদাং লৈ। রাজ্য অসিদা লৌউ শিংউ, হোর্টিকলচর, হেন্দলুম অমসুং হেন্দিক্রাফট, ইকো-টুরিজম অমসুং শান্ন খোৎনবগী লমদা থোইদোক হেনে দাকপা মগুন কয়ামরুম লৈ। লমশিং অসিনা রাজ্য অসিগী মীয়ামগী ৱাখল্লোন অমসুং তৌবা ঙম্বা শক্তিশিং ময়েক শেংনা খঙহনবগা লোয়ননা সপ্লাই চেন মপাঙ্গল কনখৎহন্দুনা মীপাল তাংদবা অমসুং মীয়ামদা তংদু লৈতাবা পুন্সি মহিং অমা লৈহনবা ঙমবা ঐখোয় খুদিংমকা হোৎনগদবনি।

সেমিনার অদুদা, প্লেনরি সেসন অহুম থোকা খাইদোক্তুনা তোঙান

তোঙানবা অখণ্ড অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি।

থৌরমদুদা হান্নগী লেফটনেন্ট জেনরেল সি.এ. কৃষ্ণন, সেক্যুরিতি এদভাইজর-কুলদিপ সিংহ, অসাম রাইফলসকী দিরেক্তর জেনরেল-লেফটনেন্ট জেনরেল-বিকাশ লখরে, আই.জি.এ.আর. (সাউথ) কী মেজর জেনরেল-রাভরুপ সিংহ, মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর-প্রোফেসার নাওরেম লোকেন্দ্র শরুক য়াখি।

**পেট্রোল (এলঃ)** ঃ অপুনবা মনিপুর পেট্রোল্লিয়ম দিল্লরস ফেরটরনিতিনা মখোয়গী দাবীশিং তকশিন্দুনা পেট্রোল পম্পশিং থোং লোন্দুনা লাকখিবা অদু সরকারগা য়ান্নবা পুরকপদগী ঙসিদগী মহৌশাগুম পম্পশিং হাংবা হৌনরে।

মনিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা অপুনবা মনিপুর পেট্রোল্লিয়ম দিল্লরস ফেরটরনিতিগী কনভেন্নর-লাইশ্রম যোগেন্দ্রনা হায়-লৈবাক মীয়ামগী অৱাবা য়েংদুনা সরকারগা কুপা ৱারী শান্নরবা মতুংদা হীরম কয়াদা য়ান্নবা পুরকপদগী পম্পশিং থোং হাংবগী খোঙথাং অসি লৌরকপনি।

**ৱাশক (এলঃ)** সৌবাম ইবোপিশক সিংহ, মণিপুর ইলেক্ট্রিসিতি রিগুলেতরি কম্মিসনগী চেয়রমেন ওইনা ঙসি রাজ্যপাল অজয়কুমার ভল্লানা থবক পায়বা অমসুং অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌখ্রে।

ৱাশক লৌবগী থৌরম ইম্ফালগী লোক ভবনগী দরবার হোলদা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা চীফ সেক্রেটরি য়াওনা মকোক থোংবা ওফিসিএলশিং শরুক য়াখি।

শ্রী সৌবাম ইবোপিশক সিংহনা ইন্দিয়ান ওইল কোরপোরেসন, নোর্থ ইষ্টন ইলেক্ট্রিক্ট পৱার কোরপোরেসন, পৱার গ্রীদ কোরপোরেসন ওফ ইন্দিয়া লিমিটেদতসু থৌ পুরম্মী।

**এমপিসিসি (এল)ঃ** মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতি (এম.পি.সি.সি) গী প্রসিদেন্ট-কে. মেঘাচন্দ্রনা লুচিংদুনা উখ্রুল জিলাগী তোঙান তোঙানবা খুল মঙাদা ঙসি এম.জি-নরেগা বচাউ সংগ্রামগী খোঙজং চথখ্রে।

উখ্রুল জিলাগী চিংঙাই ব্লোক কংগ্রেস কমিতিনা শিনদুনা খরাসি-খরাসো ভিলেজ, চিংজাউরোক ভিলেজ, চিংজাউরোক খুনৌ ভিলেজ অমসুং পে-পোহি ভিলেজতা পাঙথোকপা এম.জি-নরেগা বচাউ সংগ্রাম অদুদা শরুক য়ারদুনা এম.পি.সি.সিগী প্রসিদেন্ট-কে. মেঘাচন্দ্রনা হায়-খুঙ্গংগা মীয়ামদা চহি অমদা নুমিৎ ১০০ নি হেন্না থবক পীদুনা মীয়ামদা কান্নবা পীরিবা এম.জি.-নরেগাবু ভিক্সিত ভারত জি-রাম-জি হায়না মমিং ওন্থোক্তুনা অমদি হান্না কেন্দ্র সরকারনা চাদা ৯০ গী শেন্থুং পুথোক্তুনা মীয়ামদা কান্নবা পীরম্বা অদু হৌজিকা রাজ্য সরকারনা চাদা ৪০ পুথোক্কদবনি হায়না শেমদোকপা অসি মরম চাদে।

থৌরম অদুদা এম.পি.সি.সিগী মরুওইবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।

**পোলো (এলঃ)** ঃ মনিপুরদা পোলো মশান্না চাউখৎহন্নবগী মতাংদা মীফম অমা ঙসি ইম্ফালগী লোক ভবনদা রাজ্যপাল-অজয় কুমার ভালা অমসুং দোন্নর মন্ত্রি-জ্যোতিরাদিত্য সিন্ধিয়াগা খন্নখ্রে।

ভিদিও কনফরেন্সিংগী খুথাংদা পাঙথোকপা মীফম অদুদা রাজ্য সরকারনা পোলো মশান্না চাউখৎনবগী মতাংদা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা কুপা য়েংশিনখি। মীফম অদুদা চীফ সেক্রেটরি য়াওনা অতৈ মকোক থোংবা ওফিসিএল কয়া শরুক য়াখি।

**ৱার্কশোপ (এল)ঃ** মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন, দি.এম কম্ম্যুনিতি কোলেজ, দি.এম কোলেজ ওফ সাইন্স অমসুং সি.আই.এস.এফ. য়ুনিট, ইম্ফাল ইয়রপোর্টনা পুন্না শিন্দুনা এম্পৱরমেন থ্রু ইদ্যুকেসন এন্দ লিগেল লিতরেসিগী মতাংদা নোংমগী ওইবা কেপাসিতি বিল্ডিং প্রোগ্রাম অমা

পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চেয়ারপার্সন-টি.ঐচ. তিনিংফম মোনশাংনা হায়-রাজ্য অসিদা লৈরিবা নুপী ওইবীশিং মরুওইনা চহি ১৮ গী মথক্তা লৈরিবা নুপীশিংগী ওইনা মায়োকরিবা খুদোংচাদবা, অৱা অনা অমসুং পেন্দবা ৱাকৎ কয়া থাংগৎনবা অমসুং মসিবু য়েংশিন্নবগীদমক মনিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন অসি ইং ২০০৬ তা হৌদোকখি। কম্মিসন অসিগী মখাদা ঙসি ফাওবদা নুপীশিংগা মরী লৈনবা হীরম কয়াদা থৌরম কয়া পাঙথোকপা, এৱারনেস অমসুং কেপাসিতি বিল্ডিং প্রোগ্রাম কয়াসু লেপ্তুনা পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

দি.এম কম্মুনিতি কলেজকী হোলদা পাঙথোপা থৌরম অদুদা, মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চেয়রপর্সন টি.ঐচ.তিনিংফম মোন্সাং য়াওনা তোঙান তোঙানবা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি। থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা টেকিকেল সেসন অমসু পাঙথোকখি।

**হোল (এল)ঃ** হৈরোক বিধান সভা কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা পেচিদা এম.এল.এ. লোকেল এরিয়া দিবলপমেন্ট ফন্দ ২০২২-২৩ গী মখাদা লুপা লাখ ৩৮ লোম চংনা শাবা কম্মুনিতি হোল অমা এম.এল.এ. ডা: থোকচোম রাধেশ্যামনা শঙ্গাদুনা মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে।

শ্রী রাধেশ্যমনা হায়-ঐখোয় অমগা অমগা নুংশি চান্ননা হিংমিন্নসি। মদুদতা অফবা খুন্নাই অমা ওইবা ঙমগনি। ঐনা অফবা তৌরে, অফবা মহৈ লাক্কনি। ফত্তবা তৌরে ফত্তবা অদুম্মক লাক্কনি। মরম অদুনা, ঐখোয় পুন্না নুংশি চান্ননা লৈমিন্নসি।

**অমিতঃ** গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহনা হায়রি-মথং চহি লোয়শিল্লকপা ফাওবদা লৈবাক অসিনা মালেমগী ওইনা শেল থুমগী ফিভম খ্বাইদগী ফবা লৈবাকশিংগী

মনুংদা অহুমশুবা লৈবাক ওইবা ঙম্লগনি।

গুজরাটকী গান্ধিনগর জিলাদা লৈবা মানসাদা লুপা কোতি ২৬৭ লোমগী চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং খরগীনা শঙ্গাবা অমসুং খরগীনা উরেপ উয়ুং তম্লবা মতুং পাঙথোকপা মীয়ামগী মীফম অমা ৱা ঙাংবদা শ্রী অমিত সাহনা হায়-সরকার অসিনা ইং ২০৪৭ ফাওবদা লৈবাক অসিনা লম খুদিংমক্তা মালেমগী অতৈ লৈবাকশিংদগী মাংজিল থানবা পান্দম থম্লি। মহাকা হায়-সোমনাথ টেম্পল অসি লৈবাক অসিগী ফিদমনিংঙাই ওইবা লাইশঙ অমনি। সরকারনা সোমনাথ স্বাভিমান পর্বগী থৌরম চহি চুপ্পা পাঙথোক্তুনা লাইশঙ অসিগী চহি লিশিং হেন্না শাগোন্নরক্লবা ফজরবা পুৱারী কয়া ময়েক শেংনা উৎতুনা তুংদা লাক্কদৌরিবা মীরোলশিংনা লাইশঙ অসিগী ওইবা ৱারী ময়েক শেংনা খঙহন্নবা হোৎনগনি।

গৃহ মন্ত্রিনা হায়-অহমেদবাদনা লৈবাক অসিগী শান্ন খোৎনবগী অচৌবা হব অমা ওইরকপদা নত্তনা ইং ২০৩৬ কী ওলিম্পিক গেমস অসি অহমেদবাদনা য়ুম্বু ওইদুনা পাঙথোকবা শেম শাবা হৌরে।

তুংদা, গান্ধিনগরদা লৈবা গুজরাট বাইও টেকোলোজি রিছার্স সেন্টরগী বি.এস.এল-ফোর বাইও কনটেনমেন্ট ফেসিলিতি শঙ্গারবা মতুংদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীফম অমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী অমিত সাহনা হায়-লৈবাক অসিনা বাইও টেকোলোজিগী লমদা খুমাং য়াংনা চংশিল্লক্লি। মহাকা হায়-ইং ২০১৪ দা লৈবাক অসিগী বাইও ইকোনোমি অসি য়ু.এস. বিল্লিয়ন দোল্লর তরা ওইরম্মী। অদুবু ইং ২০২৪ গী লোয়শিল্লকপদা য়ু.এস. বিল্লিয়ন দোল্লর ১৬৬ য়ৌবা ঙমখি।

**উপ রাস্ত্রপতিঃ** উপ রাস্ত্রপতি-সি.পি. রাধাকৃষ্ণননা হায়রি-লৈবাক অসিগী নহাশিংনা মখোয় মখোয়গী হৈথোই শিংথোইবা হীরমশিংদা কন্না হোৎনদুনা অমসুং নিশাদগী লাপা মশা-মউ ফনা লৈরবা মতমদতা ভিক্সিত ভারতকী মংলান মংফাওনবা ঙমগনি।

ৱাফম অসি ন্যু দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকপা দিল্লি য়ুনিভরসিতিগী দ্রগ ফ্রি কেম্পস কেম্পেইনগী শরুক অমা ওইনা ৱা ঙাংবদা উপ রাস্ত্রপতিনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়-কেম্পেইন অসি সরকারগী নসা মুক্তা ভারত অভিয়ানগা মান্নবা ৱাখল্লোনদা য়ুম্ফম ওইবা কেম্পেইন অমনি। নহাশিংনা নিশা শিজিন্নবা হায়বসি মহাক মশা খক্তগী নত্তনা চাউখৎপগী লমদা চংশিল্লক্লিবা সমাজ অমগীসু চাউনা মাংজবা অমনি।

উপ রাস্ত্রপতিনা হায়-ঐখোয় খুদিংমকা নিশাগী পোৎলমশিংদগী লাপা লৈবা হায়বসি হৌজিক্কী মতম অসিদা য়ামা তঙাইফদবা অমা ওইরি। মখা তানা দ্রগ অমসুং নিশা শিজিন্নবনা মীওইবগী পুন্সিদা পুরকপা অমাং অতাশিংগী মতাংদা মীয়ামদা মমুৎ তানা খঙহন্নবগীদমক এৱাৰনেস কেম্পেইন অমসুং তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়া লেপ্তুনা পাঙথোকবসু মহাকা আপিল তৌখি।

**মীফমঃ** সংসদকী বজেট মীফম থা অসিগী ২৮ দগী হৌরগনি। কেন্দ্রগী বজেট-২০২৬-২৭ না মথং থাগী অমদা শেল থুম মন্ত্রি-নিরমালা সিতারামননা পুথোক্কনি।

বজেট পুথোকপা নুমিৎতা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা লোক সভা অমসুং রাজ্য সভাদা ৱা ঙাংগনি। বজেট মীফম অসিগী অহানবা তাঙ্ককা থা অসিগী ২৮ দগী মথং থাগী ১৩ ফাওবা চথগনি। অদুগা অনিশুবা তাঙ্ককনা মার্চ ৯ দগী এপ্রিল অনি পাঙথোক্কনি। মীফম অসিদা পুন্না সিট্টিং ৩০ লৈগনি।

**জয়শঙ্করঃ** মপান থৌরম মন্ত্রি-ডা: এস. জয়শঙ্করনা হায়রি-ব্রিক্স ইন্দিয়া-২০২৬ মীফমদা রেজিলিয়ন্স, ইনোভেসন, কোওপরেসন অমসুং সসটেনেবিলিতিগী লমশিংদা অখন্নবা মীৎয়েং থমগনি।

ব্রিক্স মীফমগী লোগো, ৱেৱসাইট অমসুং মীফম অসিগী মরুওইবা হীরম মীয়ামদা খঙহনবগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়-মীফম অসিদা ভারতনা

তোঙান তোঙানবা ব্রিক্স লৈবাকশিংবু অমত্তা ওইনা পুনশিনদুনা অপুনবগী ওইবা য়াইফ থৌরাংগী থবক কয়া পায়খৎনবা পান্দম থল্লি।

মহাকা হায়-হন্দক্কী চহি অসিদা ব্রিক্স মীফম চহি ২০ মপুং ফারে। লোয়ননা লিশাং শিৎনা চথুদুনা লাকপা মীফম অসিনা চাউখৎলক্লিবা অমসুং শেল থুমগী ফিভম ফগৎলক্লিবা লৈবাকশিংগী ওইনা ৱাফম কয়াদা খন্ন-নৈনবগী ফিদা অমা ওইদুনা লাক্লি।

**বৈসনোঃ** ভারত্তা পাঙথোক্কদৌরিবা এ.আই. ইমপেক্ট সমিটকা মরী লৈননা খন্ন-নৈননবগীদমক ইলেক্ট্রোনিক্স অমসুং ইনর্ফোমেসন টেকোলোজি মন্ত্রি-অশ্বিনি বৈসনোনা আমেরিকাগী রাস্ত্রপতিগী এসিস্টেন্ট-মাইকেল ক্রেটসিয়োজকা ঙসি আমেরিকাগী হ্বাইট হাউসতা উন্নখ্রে।

তুংদা, ত্রেজরি সেক্রেটরি-স্কোট বিসেন্টনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকপা ক্রিতিকেল মিনরেলস মিনিষ্ট্রিয়েলগী মীফমদা শ্রী অশ্বিনি বৈসনো শরুক য়াখি। সোসিএল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা সেক্রেটরি-স্কোট বিসেন্টনা হায়-লৈবাক অসিগী পোৎথোক পুথোকপগী শক্তি হেনগৎহনবা অমসুং ইলেক্ট্রোনিক্সকী লমদা খুমাং য়াংনা চংশিল্লক্লিবশিং হেনগৎহনগে হায়রবদি মরুওইবা মিনিরেল সপ্লাই চেন মপাঙ্গল কনখৎহনবা তঙাইফদে। মহাকা হায়-মিনরেল সপ্লাই চেনশিংদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং ভারত অমসুং আমেরিকা লৈবাক অনিনা পুন্না খন্নমীন্নদুনা থেংননবা হোৎনগনি।

**লান্মীঃ** ভারত লান্মীগী মকোক-জেনরেল উপেন্দ্র দ্বিবেদিনা হায়রি-ওপরেসন সিন্ধুরনা ত্রাই সাভির্সেস সিনরজিগী ময়েক লারবা খুদমনি। মহাকা হায়-ওপরেসন অসি মখা তানা চথুরি অমসুং তুংদা লাক্কদবা খুদিংমক খোঙফম হনবা লৈতনা থেংনখিগনি।

ন্যু দিল্লিদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা জেনরেল দ্বিবেদিনা হায়-পাহলগাম তেরর এট্টেক্কা ইরোইননা লৈবাক অসিনা য়েকবশিংবু মপুং ফানা

থেংননবা মতম পুমমক্তা থৌরাং তৌদুনা লৈ। মহাকা হায়-লান্মীশিংনা অপুনবা টার্গেট ৯ গী মনুংদা টার্গেট তরেৎতি লোয়শিনবা ঙমলে। মসিগা লোয়ননা পাকিস্তাননা চথ্তরকখিবা থৌওং অদুগী চপ চাবা পাউখুম পীবা ঙমলে হায়না লৌবা য়াই। হৌখিবা চহি অসিদা টেরোরিষ্ট ৩১ লোয়শিনবা ঙমখি। মসিগী মনুংদা চাদা ৬৫ দি পাকিস্তান মচানি হায়রি।

**ফুটবোল ঃ** হাউরৈবী নোর্দন স্তার ক্লব অমসুং হাউরৈবী অপুনবা এফ.সিগা খুৎশমদুনা শিনবা তরুকশুবা চন্দ্রনিদি ট্রোফি ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা-পি.সি.এফ.সি. সেকমাইনা মিলনজয় এফ.সি. পুংদোংবমবু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা অনিশুবা মেটচতা-হাউরৈবী অপুনবা এফ.সিনা য়ুনাইটেদ সেক্তাবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

**ফুটবোল ঃ** বিষ্ণুপুর জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিয়েসন (দি.এস.এ) গ্রাউন্দদা শান্নখিবা ইন্দিয়া য়ুথ লিগ ইলিটকী মেটচ অমদা ঙসি নুমালিগর রিফাইন্নরি লিমিটেদ ফুটবোল একাডমীনা রিগুলর ফুটবোল কোচিং সেন্টরবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

**হোক্কিঃ** ৱাই.সি.সি.আই কোন্থা অহল্লুপতা লৈবা অহল্লুপনা শিন্দুনা হৌজিক চথ্তরিবা ১৩ শুবা য়ুমা রাসমণি মেমোরিয়েল ইনভিতেসন অন্দর ফিফতিন নুপামচাগী মেটচশিংদা-মৈরা বাসিখোঙনা ৱাই.সি.সি.আই.সি. (এ) কোন্থা অহল্লুপপু পাঞ্জল ১৭-০ দা থোইখি।

অতোপ্পা মেটচশিংদা-ঐচ.য়ু. লাইরিকয়েংবম লৈকাইনা ফামবু পাঞ্জল ১০-০ দা, টি.ডব্লিয়ু.সি. তাউবুংখোকনা ৱাই.সি.সি.আই. (বি) কোন্থা অহল্লুপপু পাঞ্জল ৩-২ দা থোইখি।

নুপীমচাগী ওইনা শান্নখিবা মেটচতা-য়ু.ই.এস.পি.এম. এক্স-সাইনা সিয়ো-শিংজমৈবু পাঞ্জল ১৪-১ দা থোইখ্রে।

**ক্রিকেট ঃ** লংথাবাল পব্লিক গ্রাউন্দা চত্থরিবা ২২ শুবা মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা অনিশুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা ৱাই.সি.সি. ৱাংখৈনা ৱাই.টি.ঐচ.য়ু. ৱারিয়রবু রন-১ দা থোইখ্রে।

হয়েং অহুমশুবা ক্বাটর ফাইনেলদা রিস-নাগামপাল অমসুং চেম্প-খাগেমপল্লি শান্নরগনি।

**ক্রিকেট ঃ** গেলেক্সি ক্রিকেট ক্লব-খুরাই সাজোর লৈকাইনা শিনদুনা চত্থরিবা অহানবা কে.সি.সি. কপ-খুরাই, ষ্টেট লেবেল ওপন টেনিস বোল ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা নো লুক-কিয়ামগৈনা কংলৈ কে.ও.দি.এস-কোংপালবু রন-৬৭ তা থোইখি। অনিশুবা মেটচতা গেলেক্সিয়ান এলভেন-খুরাইনা নো লুক-কিয়ামগৈবু রন ৩ দা থোইখি।

**টুরনামেন্টঃ** ইন্দিয়া ওপন ২০২৬ টুরনামেন্ট ঙসিদগী নিউ দেল্লিগী ইন্দিরা গান্ধি ইন্দোর স্তেদিয়মদা হৌখ্রে। ওলেম্পিক মেদলিষ্ট পি.ভি শিন্ধুনা ভারতকী টিম লুচিংলি।

টুরনামেন্ট অসিদা ভারতকী ত্রিসা জোল্লি অমসুং গয়াত্রি গোপিচান্দনা নুপীগী দবলসতা শরুক য়াগনি। লক্সিয়া সেন অমসুং অয়ুস সেথি নুপাগী শিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা থেংনগনি। টুরনামেন্ট অসিদা কিদম্বী শ্রিকান্ট অমসুং ঐচ.এস প্রনোইসু শরুক য়াগনি। টুরনামেন্ট অসি থা অসিগী ১৮ ফাওবা চত্থগনি হায়রি।